লগাও খাওফমদা ৱাই চাইবগুম চাইরিবা চামঙা চৎপীশিংসে মীচং মীখায় নাইমল্লি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

মীওইবগী পুৱারী খোঙচৎসে মতা অমনিকো! অৱা-নুংঙাই, কপ্পা-নোকপা মচিন মনাওনি হায়বদুমক চপ চানা থোকই। আ মথায় থায়নদগীনি নুংঙাই য়াইফবা কাঙবুনা পঙনুংতা নুংঙাইবা, লায়রবা কাঙবুনা পঙৱাতা ৱাবা। পূম্নমক্তু লাইবক্তা তম্লম্লবনি খন্না পঙখাঙদা খাঙবসু কোঙ্গায়নি। নোংমদি শোয়দনা নুংঙাইরকখিনি খন্না খন্না হান্নগী হান্না হামু হামু ওইদুনা লোইশিনখিবা মশীংসু থিঙমদখৈ লৈবজাৎনি। নিংথৌ পানবগী লৈঙাক কাঙলোন্দা শাথী-শাথীবা ময়াম অমা য়াওরম্বজাৎনি। নিংথৌকোনগী মচা মশুশিং অমদি অঙম অথৌ কাঙবুশিংনা লন-থুমগী মপু ওইবদো খোইদৌদি শাউনিংবদা অয়ৌবী ওইরমগনি। মখোয়গী লন-থুম হায়রিদো মখোয়গী হুমাংমন নত্তবনিদো। মীনাই, লৌমী-শিন্মী ময়ামদুনা মখ্বাং তেকখৈ, তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ তৌদুনা নোমজবগী মহয় মচুমদুনিদো। মদুগুম্বা থৌওং থৌচত্তুদা ঈ কারক্তুনা খ্বাই নোংজেংবম পিবানা থৱায়না পোন্থা ওইদুনা কংলৈ নিংথৌ নুমিৎ সনা খোমদোনগী ময়াম্বুং তাওহুইরেং অহনববু তেন্না কাপথখিবগী ৱারী *নুমিৎ কাপ্পা* পুয়াদা মরীক চুম্না ইরি। মচিন মনাও অনীমক নিংথৌ ওইবগী মওংদা লৈবনা মখোয়গী থৌদা ইন্নবা হোৎনবদা মচা মনাই ওইবশিংদি ফ্রে-ফ্রে হাইদুনা খাঙবজাৎনি। অহিং নুংথিল খায়দখৈ মচিন মনাওগী থৌগল মপূং ফাননবা হোৎনবদা নিংথি-নুংঙাইনা তূম্বা চাবা ফংলক্তবা ইমুংগী নুপী অঙাংশিংবু য়েংশিনবা ঙল্লক্ত্রবদা মীনাই মপোক্তা পোল্লবা শুবা নোম্বতনা মশিঞ্জাং ওইরবা লায়রবশিংদো শাউনীংবনদি লোইবা, চৈরাকপুদি কিবনা ফোংনা ঙাঙ-শকপসু ঙমজদবা, থম্মোয়দগী থোরকপা পেন্দবা ৱাকৎশিংদু খৌনাউ য়ৌরকপদা শো লোল্লগা অদুম্মক থমখিবজাৎনি। অদুম ওইনমক খ্বাই নোংজেংবম পিবাগুম্বা মচিং শাথীবা, শিরগা শি চঙলগা চঙ হায়বা মীওইসু অদুম লৈরম্বজাৎনি। অসুম্না অনেম অৱাং খেন্নবগী ৱারীসিদি লীবগীসু লোইনাই খম্নাইদবজাৎনিদা। মোইরাং কংলৈরোলগী খম্বা থোইবী ৱারীদসু য়াওরিদুনি। মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই লাইচিংখু, মনাও ইবুংঙো চিংখুবা, থোংলেন অঙম্বা, চাওবা নোংথোনবা, নোংবান্নচিংবগী ইমুংশিংদনা মীনাই-ও মীশল-ও হায়ফম হেক খঙদখৈ নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পাল্লি। খম্বা খম্নু মচিন মৌপ্পানা ময়াদা হুক্লনবা চেঙ ফাওবা নোংমগী চরা অনী শুনা চাননবা লৈতে। লৈবাক্কী ওইনা য়েংবদা ফনমক খূৎকন পাঙ্গন্দুনসু চাওখত্তুনসু খেন্নবদি লৈরম্মী।

ঙসিদি অদুগুম্লবা নিংথৌ পানবগী লৈঙাক কাঙলোন্দু লোইশিনখ্রগা লৈঙাক চুপ্লি পায়গদবা মীশক অদু ইশা ইশানা অপাম্বা খঞ্জবা ঙম্বগী হক পীবিরিবা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চল্লবা মণিপুরদা হিংলিবা ঐখোয়নি। ঐখোয়দা পীবিরিবা হক অসি মপূং ফানা ফংবা ঙল্লিব্রা নৎত্রগা ঐখোয় ইশানা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নরিব্রা হায়বদুমদি হংবা য়াই। লৈবাক অসিনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরকপদগী ঙসি ফাওবদা মখল মখা কয়াগী থৌশিল শেমদুনা নুংঙাই য়াইফবা লৈবাক অমা ওইননবা হোৎনবদি লেপত্রি। পোলিটিকেল পার্টিসু মশীং ওখাক য়ামখ্রে, নেসনল, রিজনেল পার্টি। চহী হুস্ফুতরামুকসিদা হৈ শিংলবা লৈঙাকপা ময়াম অমসু লাকখ্রে। সাইন্স অমদি টেক্নোলোজি চাওখৎলকপগা লোয়নননা অহোংবা ময়াম অমসু মীত্তা উহনবীরে। খরা কুইনা পুন্সিরগদি থাগসে ইতম্বাক্তা পম্বা ফংদৌকসু মানশিল্লক্লে। অদুবু অসুক য়াম্না চাওখৎলক্কানসিদা কমদৌননো লৈবাক্কী থৌশিলদা করি অশোয়বা লৈবনো খঙদে কদাইদনো ইহো হোবা অমদি অদুম মরৈরি। সুম হেক য়েংখৎপদা ঙক অসি তেক্কদৌঙৈ নাবা ফাওহনবা ৱাংল-ৱাংলবা বিল্ডিং মশীং খঙদনা লৈরি। মখোয়গী মপুশিংদুগী ইনাক খুৎখুন্দো, ঐখোয়দকা ওইরদি ঙাওরগা কোয়চৎ চৎখিদৌ মাল্লি। নাকল অমরোমদনা কালেন্থাগী মৈশাদগী ঙাকথোক্লবা, নিংথমথাগী উনখাদগী মশাবু কঞ্জনবা, লৈননবা খাংপোক মচা অমা ফাওবা লৈজদবা লম্বী সরক্তা শাইদাংবা মীওই কয়া লৈরি। মচু তাবা ফিজোল অমফাওবা লৈজদবা পিদোল্লবা পিদোল্লবী কয়ানি। শুফম নোমফম লৈতবনা চরা নাম্মা ফাওবা ফংবদা ৱারবা চাক্লি ফিনিবা কয়া অমনি। ঐখোয়গী মণিপুরদা হায়রিবা ফীভম অসিমক য়ৌদ্রবসু য়েংবদা ৱারবা খেন্নবগী শক্তমদি অদুম্মক লৈরি।

পূম্নমক্লা উনখ্রে, মেরা থাশি নুমিত্তা পাঙথোকপা মৈগী কুম্মৈ হায়গদ্রা, বম্বুলা, মৈকাপ্পীনচিংবগী কুম্মৈ কৌগদ্রা ঙরাং নহান্তনি পাঙথোকখিবদু। ঐনা লানবা ওইরিদ্রা, মতম খরগী মমাঙদা বম্বুলা য়োনবা, কাপ্পা থিংলে হায়না তাখিবগুম তৌখি। অতোপ্পা লমগী ৱাদি খঙদে, ঐখোয় ককচীংগী ওইনদি হায়রুদুনা কান্নদে, নাকাসে পঙশিনবজাৎনি। লান মনুংগী বোম, টোপ, নোংমৈ মখোন্দগী হেল্লমদৌবোই নীংই। নহানৱাইদি বম্বুলা মখোন তাবদা হুইশিংদি কিমন্দুনা কাঞ্জদা চেনশিনখিবদগী চিংথোক্লবদা থবক অমা ওইনরম্বনি। হৌজিক্তি মখোয়সু হৈনরমাল্লে বম্বুলা মখোন তাবদা জগোয়দুম শাবীগে হায়বগী ফীভমদা লৈরে। খ্বাইদগী শাথীবদি মৈগী কুম্মৈনি হায়বগী খুদোংচাবা লৌরগা খাওদৎনখিবা লগাওশিংদুনি। মমাঙ চহী অনীদুমদি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ইউ উখিদে। হন্দক্তি অঙকপা মতৌ অমা ওইখ্রে। চামঙা চৎপী মপুন মপুন বুপ বুপ থাদনবীনি। মাঙবসু তোংবসু লাখ লাখকী ৱানি লিশীংকদি মশীং থাবীবা নত্তে। লগাও খাওফমশিংগী হায়রুরবদি মণিপুরসে লায়রবা লৈরমগনি থাজদে। লুপা খাওজাউগী মপু পৃক পৃক শৌবমখৈ লৈরমদৌবা মাল্লি। লায়রবা হায়বা ৱাহৈ অসি লমদম অসিদগী মুৎখ্রদৌকা মানবজাৎনি। অদুবু মসিমদি হায়দবা ঙল্লোই, লুপা চামঙা চৎপীবু লৈমায়দা কেন্দুনা তারবা উনা ৱানাগুম্না খনবা মীওই খুজোক খরা লৈরগা ইনাক খুনবা ৱাত্ত-পাদবী মণিপুর কৌবা য়ারোই। চেনি হায়দে, লগাও খাওফমদা ৱাই চাইবগুম চাইরিবা চামঙা চৎপীশিংসে মীচং মীখায় নাইখ্রজাৎনি। লায়রবগী য়ূমদা মীকুপ অমফাওবা লৈনীংদবনি। নোং ফুং ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা তপ তাবমখৈ শুরবসু মীমান্ননা হিংবা ঙমদবা ময়াম অমা লৈরি হায়বসিদি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। মচা মশু মহৈ মশীন তমহনবদা মায়োক্লরিবা অৱাবা ফিল্মগী ৱারী নত্তে। নোংমত্তসু চেঙফু থনবা ঙমদবা চরা অনীগী খনবা নত্তনা অতোপ্পা ৱাখল খল্লুবা শংদবা মীওই কয়া অমা লৈরি হায়বসি কাউফম থোক্তে। নারক য়েক্লকপা মতমদা লায়েংবা ঙমদবনা শিবা ঙাইদুনা হিংলিবশিংগী অরোনবা পিরাং লোম্হোক্তবা তেংথা হঞ্জিন-হঞ্জিন পন্দ্রবসু য়ারে। অফববু ওইরসু ফত্তববু ওইরবসু মখল মথেলগী পাম্বৈ শীজিন্নদুনা শেল তানবা হৈবা কাঙবুনা পঙপৈদা পৈশিনবা পেকথোকপগী লোইনাইদবা অদুগুম্বরা খঙদে লগাওদা পাম্মুবা খঙদনা চামঙা চৎপী মপূন-মপূন পঙথাদা থাদনরিসে। তরানিথোইশুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা মীরেপ ওইগে থৌরাংবশিংনসু গান্ধী মকোক চবাক চবাক চাইনবা হৌনরক্লে। লায়রবা লৈতবশিংনা খম থেংনা ৱারবসু ফমজাও পায়বা শেঞ্জাও পায়বশিংগীদি য়েন্নখা লুকখা, শুমাং থেলোংদা শেল পাম্বী কৃক কৃক ইন্ননা হৌরব্রা খঙদে। কোভিদ-১৯সু নাচুংবীদ্রে। হে তাইবঙ শেম্বা মপু! মীগী মী চপ মান্নবদা লায়রবা-ইনাকখুনবা হায়না খায়দোকপীরম্লিবসিবু করিগীনো হায়না হেক হংনীংলকই। ●

ষ্টেটকী পাউ

হেভি ভেহিকল চৎপা থিংলে

ইম্ফাল, নভেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):

চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুগৱাগ্নিনদা লৈবা ভেলি ব্রিজ শেমজিন-শাজিনবগী থবক চথুরিবা মরম্না হেভি ভেহিলকশিং থোং অসিদা চথোক-চৎশিন্দা অথিংবা থম্লে হায়না চুড়াচান্দপুরগী দিপ্যুটি কম্মিস্নর পাৱন য়াদবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, হেভি ভেহিকলশিং লান্থোক-লানশিনগী অথিংবা মতম খরগী ওইনা থমখ্রবসু পার্সেল লাইট ত্রাফিকশিংগী ওইনদি পূং অনীগী ওইনা নভেম্বর ৮দগীনা ১৪ ফাওবা অদুমক ভেলি ব্রিজ অসি লান্থোক লানশিন তৌবগী অয়াবা লৈগনি হায়রি।

দাইমন্দ দোনর গ্রুপনা ইমুং ৪দা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):

খোংজোমদা লৈবা দাইমন্দ রেদিওগী লিষ্টনর ময়াম্না পূনশিন্দুনা শেম্বা দাইমন্দ দোনর গ্রুপ্পা লেপ্পা লৈতনা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা মতেং পীবগী চথুরকখিবা খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা ঙসি দাইমন্দ রেদিও ওফিসতা রেদিও অসিগী প্রোগ্রাম ইগজেক্যুটিভ জেমস হৈগ্রুজমনা ইমুং মনুংদা তেংবাঙবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মতেং পাংবগী ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নিংথৌখোংদা লৈবা সোরোকখাইবম রঞ্জিৎ হায়রিবা মীওই অসি চহী তরুক হৌগৎপা ঙমদনা লৈরকখি অমদি মহাক্কী লোয়নবীনা শরৃ তেক্তুনা জেনিমসতা লায়েংলিবী লোয়ননা মচানুপীনা ইমুং পুদুনা লৈরিবা ফিভম অসি উবদগী ইমুং মনুং অসিদা মতেং ওইনবা হায়দুনা শেলগী তেংবাঙ ওইনা লুপা ১০,০০০ পীখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ককচিংৱাইরিদা লৈবা সুরজ হায়রিবা মীওই অসি অরুবা ফিভমদা জে নিমসকী আই সী যুদা লায়েংদুনা লৈরিবা অসিদা মতেং ওইনবা হায়দুনা শেলগী তেংবাঙ ওইনা লুপা ১০,০০০ খূৎশিন্নখি। লোয়ননা কোন্নাখোংদা লৈবা কিদনি ফেল ওইরবা য়ুম্ফমদগী হেন্না করিমত্তা লৈজদ্রবা মৈস্নাম প্রেমচন্দ্রদসু লুপা ১০,০০০ পীখি।

থৌবাল অৱাং লৈকায়দগী এপোলো হোস্পিটাল দেল্লীদা লায়েংলিবী অথোইবীদসু শেল ওইনা লুপা ১০,০০০ সু দাইমন্দ দোনর গ্রুপ্পা মতেং পীখিবনি হায়রি।

ঙসিগী থৌরমদুগা মরী লৈননা দাইমন্দ রেদিওগী প্রোগ্রাম ইগজেক্যুটিভ জেমস হৈগ্রুজমনা ফোঙদোকখিবদা, দাইমন্দ দোনর্স গ্রুপ্পা অৱা-অনা তারবা ফেমিলি মেম্বরশিংদা থা খূদিংগী লুপা ১০০/১০০ খায়নদুনা মতেং অসি পাংবনি। অৱা-অনা তারবা লমদম অসিগী মীয়ামদা মতেং পাংবগী থবক অসি লেপ্পা লৈতনা চথখিগনি। লোয়ননা মীয়াম্নসু দাইমন্দ দোনর গ্রুপ অসিদা শরুক য়াবীয়ু। মতেং পাংবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা দোনর মেম্বরশিংনা অৱাবা তারক্লবা মতমদসু অঙম্বা মতেং পাংবগী চৎনবীসু দাইমন্দ দোনর গ্রুপকী ওইনসু লৈ হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এ আরনা বেতুক ভিলেজদা আই ঈ দি বোম ২৪৩ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):

৪৩শুবা অসাম রাইফলস মোরেনা তোঙান তোঙানবা আই ঈ দি বোম ২৪৩ অমদি বোমগী মচাকশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

ঙরাং নুমিদাং পূং ৮রোম তাবা মতমদা ৪৩শুবা অসাম রাইফলস মোরেনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর মনাক্তা লৈবা বেতুক ভিলেজ ময়াদগী ম্যান্মারলোমদগী জঙ্গলগী লম্বীদা অমম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা ম্যান্মার কেনবো বাইক থৌরগা লাকপা মীওইশিংনা এ আরগী মীওইশিং উবদগী মখোয়না গাড়ীদা পুরকপা তোঙান তোঙানবা বোক্স খরা লংথোক্লল্লগা চেনখিবনি হায়রি। অদুবু মশিং য়াল্লবা আই ঈ দি বোমশিং ম্যান্মার কেনবো বাইকতা পুরকখিবা মীওইশিং অদু এ আরগী কাঙবু অদুনা ফাবা ঙমহৌখিদে। মদুগী মতুংদা মখোয়না লংথোক্লম্বা খাউশিং চেক তৌরুবা মতমদা বোম অমদি বোম শানবগী মচাকশিং য়াওরম্বা থেংনখিবনি।

লংথোক্লল্লম্বা বোক্সশিং অদু অসাম রাইফলসকী পর্সনলশিংনা চেক তৌবদা তোঙান তোঙানবা আই ঈ দি বোম কয়া'মা য়াওরমখিবনি। হায়রিবা আই ঈ দিশিং অদুদি তোঙান তোঙানবা আই ঈ দিগ্রাম ২৫০ অমদি ৫০০গী পূন্না ১৯৭, দিরেক্সনল আই ঈ দি কে জি ৩ অপূনবা মশিং ৩৩, দিরেক্সনল আই ঈ দি কে জি ৪ অপূনবা মশিং ৪, দিরেক্সনল আই ঈ দি কে জি ৫ অপূনবা মশিং ৯, কোর্টেক্স মিটর ৫০, ইলেক্ট্রিক ৱায়র খরা, ভোল্ট ১২কী বেট্রি ২ অমদি আই ঈ দি শানবা বোমগী মচাক কে জি ৫নি হায়রি।

ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর মনাক্তা লৈবা বেতুক ভিলেজদা ম্যান্মার কেনবো বাইক থৌরগা লাকপা মীওইশিংদগী ফাগৎপা ঙমখ্রবা আই ঈ দি বোম ২৪৩ অমদি বোম শানবা মচাকশিং অদু অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা ঙসি নুংথিল মোরে পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পি ঐচ এল ৱাই ও ক্লব বিল্ডিং এম এল এ জয়কিসননা শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):

পি ঐচ এল ৱাই ও ক্লবকী বিল্ডিং থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ জয়কিসননা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে।

পি ঐচ এল ৱাই ও ক্লব বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিসননা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং পি ঐচ এল ৱাই ও ক্লবকী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম সরঙ্গজিৎনা থৌরম মপু ওইখি। লোয়ননা থবক্তগী পোথারবা এস পি পি সোনামনিনা অখন্নবা মীথুং অমদি হান্নগী পি ঐচ এল ৱাই ও ক্লবকী প্রসিদেন্ট থোইদিংজম দুধা, পি ঐচ এল ৱাই ও ক্লবকী হান্নগী সেক্রেটরি হিজম মেঘা, পি ঐচ এল ৱাই ও ক্লবকী ৱিমেন ৱিংগী হান্নগী এদভাইজর সৌবাম ইবেতোম্বীনা মীথুং ওইদুনা শরুক য়াখি।

শঙ্গাখিবা পি ঐচ এল ৱাই ও ক্লবকী বিল্ডিং অমদি লৈখিদ্রবী বিনাসখিগী নীংশিং খুদম অসি পি ঐচ এল ৱাই ও ক্লবকী প্রসিদেন্ট অমদি স্পেসল ক্লাস গভর্ণমেন্ট কন্ট্রেক্টরসু ওইরিবা এল সরঙ্গজিৎনা কৎপনি।

নীংশিং খুভমগী মায়খুম হাংদোকপগা লোয়ননা থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিসননা ফোঙদোকখিবদা, পি ঐচ এল ৱাই ও ক্লবকী বিল্ডিং অসি শঙ্গাবগা লোয়ননা চাওখৎ থৌরাংদা খুমাঙ চাওশিনবা হায়বদু ওইনবা হোৎনমিন্নসি। ক্লব অসিনা লৈকায়গী চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলকপা মতমদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মীয়াম্নসু মাগী মাগী অঙম্বা মতেংশিং পাংবীয়ু অমদি ঐহাক্কী মায়কৈদগীসু মতেং পাংগনি হায়খি।

রামজীনা ইবা 'মাংলমচৎকী পুয়াগী ৱারী' ফোঙগদৌরি

ইম্ফাল, নভেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা লাক্লিবা নভেম্বর ১৪, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পূং ১ তাবা মতমদা নেসনল এৱার্দি লাইশ্রম রামজী নিংথৌখোংনা ইবা পুয়া লাইরিক 'মাংলমচৎকী পুয়াগী ৱারী' মরিশুবা শরুক অমসুং লেফ্টনেন্ট কমান্দর ইন্দিয়ন নেভি জয়কুমার শরাংথেম, থম্নাপোকপী ইম্ফাল ইষ্টনা ইবা ৱাসেম ৱারী 'ধোল্লক্কুম্বা পুন্সি' মিংথোনবা লাইরিক অনী অসি হৌনবী থৌরমগী মতুং ইন্না নিংথৌখোং বজার পব্লিক গ্রাওন্দদা ফোঙলগনি হায়না মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ বিষ্ণুপুরগী সেক্রেটরি দ্বিজমনি ইরোমচা মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা বিষ্ণুপুর এ সীগী এক্স-এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা অথোইবা মীথুংলেন, নেসনল এৱার্দী খাঙেম্বম ইবেতোননা থৌরম মপু, ইমাখোল অৱাং পোৎশংবমগী প্রসিদেন্ট নেসনল এৱার্দী আর কে গুনচন্দ্র অমসুং ইন্দিয়ান নেভিগী লেফ্টনেন্ট কমান্দর সৈনিক স্কুল ইম্ফালগী এ ও ইন্দ্রজিৎ য়াদবনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা ময়ায় তাঙবলদা লেংশিনগনি হায়রি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিএট প্রোফেসার শরতচন্দ্র লোংজোম্বা অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি দ্বিজমনি ইরোমচা মঙাংনা মথংশীৎনা লাইশ্রম রামজীনা ইবা 'মাংলমচৎকী পুয়াগী ৱারী' অমদি জয়কুমার শরাংথেমনা ইবা ৱাসেম ৱারী 'ধোল্লক্কুম্বা পুন্সি' লাইরিক অনী অসিগী মশক তাক্কনি হায়রি।

'লৈখিদ্রবা অমদি শোক্লগা লৈরিবা মীওইশিংগী জষ্টিস ফংহনসি'

ইম্ফাল, নভেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):

লৈখিদ্রবা অমদি শোক্লগা লৈরিবা মীওইশিংগী অচুম্বা জষ্টিস ফংহনসি হায়না এস পি ডা. এস ইবোমচানা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগী উনবগী থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, কে এন এফ (এন)না হৌখিবা ওক্টোবর ১২দা বি গমনোম ভিলেজদা জুবিনাইল অমা, ভিলেজ চীফ য়াওনা মীওই অহুম হাৎলমখি। মদুগী মতুং ইম্ফাল ৱেষ্ট কমান্দো অমদি ১৫শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম অমনা ওক্টোবর ২৫দা মীচম হাৎপদা চেন্নবা মীওই অহুম ন্যু কৈথেলমানবীদগী খূৎলায়গা কোন্ননা ফাবা ঙমখি।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারবা কে এন এফ (এন)গী কাদরশিং অদুদি - সৈজে ৗলুন সিংসিট (২০) লৈফম্না মোটবুং, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী কাংচুপ্তগী হেনমিনলুন মিসাও এলিয়জ বোভিন (২৯) অমদি মোটবুংগী ফোইসি ভেংদগী হেনতিনসে সিংসিট এলিয়জ অসজি (৩০)নি। মখোয়দগী তোঙান তোঙানবা কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরুগা লোয়ননা নাইন এম এমগী পিষ্টোল অমসু ফাগৎপা ঙমখি। অসিগুম্লবা মরম চাদনা মীচম কয়া হাৎখিবশিং অসিগী মতাংদা অচুম্বা জষ্টিশ ফংহনবা হায়বসি পুলিসকী থৌদাংনি হায়খি। মসিদা সী এম ও অমদি মীওই খরনা পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসন অসিবু লান্না উহন্নবা হোৎনরিবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলগনি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; YAIRIPOK

Ref. Mutation Case No. 527/SDC/YPK 05/11/2021

Parties : 1. Khomdram Priyokumar Singh S/o (L) Ahanbi Singh
of Chandrakhong Mayai Leikai
2. Khomdram Dhanabir Singh S/o (L) - do - of - do -
... Petitioners

-Vs-

(Late) 1. Mutum (N) Khomdram (O) Nilashakhi Devi
W/o Ahanbi Singh of Khoirom ... OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Yairipok, 05th Nov, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুন নং 112-Chandrakhong অরিবা পাট্টা নং 88 অনৌবা 178 দাগ নং 1061, 2022 এরিয়া 0.27030, 0.6260 হেক্তর চাওবা ইংখোল, অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার Mutum (N) Khomdram (O) Nilashakhi Devi W/o Ahanbi Singh of Khoirom দা লৈবা সিং অসি মৃতু ওইখ্রে, হায়রিবা Petitioner অসি মহাক্কী মশুনুপাদা ফংফম থোকপা শোতোনি হায়না হায়ররে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারশিংগী মমিং ককথৎপীরগা Petitioner শিংগী মিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা অঙনফৌ লৌফম অসিগী Co-Pattadar 1 না দাগ নং 2022 গী লম পূম্বা অমসুং দাগ নং 1061 ইংখোলগী অৱাংদা Area 0.1351 হেক্তরগী লম অমসুং Co-Pattadar 2 না দাগ নং 1061 ইংখোলগী খাদা Area 0.1352 হেক্তরগী লমনি হায়ররে। মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি Notice অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ (৭) তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Yairipok

HL-P/0592/9

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

Ref. Mut. Case No. 336/SDC/IW (H) of 2021

1. Langpoklakpam Indugiri Singh
   S/o Late Langpoklakpam Shyamjai Singh
   of Tiddim Road, Kwakeithel Lamdong Leikai (খাদা 0.05667 acre)
2. Langpoklakpam Lakhikanta Singh
   S/o Late Langpoklakpam Shyamjai Singh of Tiddim Road,
   Kwakeithel Lamdong Leikai (অৱাং-নোংচুপ্তা 0.05667 acre)
3. Langpoklakpam Shakhensana Singh
   S/o Late L. Shyamjai Singh of Tiddim Road,
   Kwakeithel Lamdong Leikai (অৱাং-নোংপোক্তা 0.05667 acre)

-Petitioners/দংকারী

-Vs-

Late Langpoklakpam Shyamjai Singh S/o Late Nitai Singh
of Konjeng Leikai -O.P/বিবাদি

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 5th Nov, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই:ও: খুল ৪৫ নং - সঙাইপ্রৌ, অনৌবা পাট্টা ২৪৪/৫২২ নং হাল দাগ ৩১/৩৩৮ নং গী মোট এরিয়া ০.১৭০০০ একর চাওবা ইঙ্খোলগী পাট্টাদার লাংপোকলাকপম শ্যামজাই সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপাশিং/দংকারীশিংনা মখোয়গী মিংদা নামজারী তৌবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ১৫/১১/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। পীরিবা নুমিৎ অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/0589/9

ꯃꯥꯡꯈꯤ / ISC-XII PASS CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Certificate for passing of ISC-XII (2013) under Index No. B/9024/005 and SRL. No. 021836 issued by Council for the Indian School Certificate Examination, New Delhi, in my favour on the way between Kwakeithel Leimakhujam Leikai and Thangal Bazar, Imphal West on 4-11-2021 and no one has returned the said lost documents to me till today. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Brajabashimayum Limi Devi
Yaiskul Chingakham Leirak
8119898121

HL-P/0587/9

ꯍꯦꯜꯄꯔ / হেল্পর অমা পামজৈ

য়ূমগী থবক ইনখাং অমদি অঙাং লৌবীনবা মশাগী চহী ৩৫দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ইম্ফাল এরিয়াদগী ওইবা নুপী অমা অথুবগী ওইনা পামজৈ। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি। Fully vaccinated ওইরবা মীওইশিং ওইনা হেন্না পামজৈ।

# 8971276034
Khagempalli

HL-P/0585/9,10&12

ꯃꯥꯡꯈꯤ / PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension Book bearing PPO No. 111710213 issued by Accountant General, Manipur on the way between Kakching Khunou and Thoubal Treasury on 11/10/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Kh. Saratkumar
Kakching Khunou Thingnam Tarung Leikai,
Ward No. 6.

HL-P/0588/9

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ **ADMISSION OPEN** ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ

PHOENIX ENGLISH COACHING

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)

KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK

Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.

CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.

6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/7261/2/11-2/12

OFFER / ꯑꯣꯐꯔ **OFFER / ꯑꯣꯐꯔ**

য়েন্নাও অমদা লুপা ২৫, ঙানুনা লুপা ৪০ দা ফংবীগনি।

লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা Kuroiler, Black Rock, FFG, Banaraja, Layer (B.B.380) অমদা লুপা ২৫দা ফংবীগনি। ঙানু মচা White Pekkin, Khagi, Muksan অমদা লুপা ৪০দা ফংবীগনি। Farmer শিংনা advance booking তৌবীয়ু। থাংজ খূদিংগী য়েরুম, ঙানু মরুম হাপচগনি। য়ুমশকৈশা খূদিংগী Japanese Quail মরুম হাপচগনি। ঙানু মরুম্না Machine দা হাপ্তুনা percentage ৱাংনা ওলহনবা ঙম্বা অসি October থাদগীনা March থা ফাওবদা কোকপা মরুমশিং অদুনি। ঙানু a পাম্বীবশিংনা ফোন তৌবীরকউ।

লেংশিনবীরকসি : **EMOINU HATCHERY**
Near BSNL & Postal Colony,
Eastern Ground Leirak, Palace Compound,
9436085117

HL-P/0590/9

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 247/SDC/NBL of 2021

1. Laishram Herojit Singh S/o (Late) L. Angahal Singh
2. Laishram Mangi Singh S/o (Late) L. Modhu Singh
3. Laishram Ibempishak Devi W/o (Late) L. Kokngang Singh

All of Wahengkhuman Mayai Leikai ... Petitioners

-Vs-

(Late) Laishram Kokngang Singh S/o (Late) L. Modhu Singh
of Wahengkhuman (Sl. No. 2 & 3 will get 1.24 acres; 0.18 acres for Sl. No. 1) ... P.O.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dtd. 8-11-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 12-Leimapokpam, Patta No. 12/358 (O), 12/432/1039 (New) Dag No. 2269 an area of 1.42 acres of Ingkhol Class হায়রিবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/0591/9

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।